# কোর-কোমগী এটেক কনখৎলক্লি
# কংগ্রেস ভবন্দসু আই ই দি থমজিল্লম্লে

*থৌদাং পাউমদগী*

*ইম্ফাল, জানুৱারী ৮ ঃ* লালহৌলুপ ৭ কী অপুনবা কোর-কোম্না কংগ্রেস পার্টিদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা পাক শন্না বোমগী এটেকশিং চথরকপদগী সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু ইম্ফালগী সেক্যুরিটি জোন অমা ওইরিবা অহিং নুংথিল,নুমিদাং খাক্তনা পুং ২৪ সেক্যুরিটিনা ঙাক শেন্দুনা লৈরিবা বি টি রোদকী কংগ্রেস ভবন্দা শক্তি লৈরবা সি-৪ হায়না খঙনবা আই ই দি অমা প্লান্ট তৌদুনা থমজিল্লম্লে। মসিগা লোয়ননা মফম কয়াদসু কোর-কোম্না বোমগী এটেকশিং চথখ্রে।

জিএম হোলগা তাইনবা কংগ্রেস ভবনগা ফাওনবা এরিয়াদা ঙসি অয়ুক থমজিল্লমখিবা বোম অদু চাওরাক্লা কে জি ৪ রোম লুম্মী। কৌটা অমদা ফিট তৌদুনা থল্লম্বনি। চাওরাকনা কিলোমিটর অমগী এরিয়াদগী রিমোট কন্ট্রোল দিভাইস শিজিন্নদুনা পোকখায়হল্লকপা য়াই হায়রি। বোম অদু ঙসি অয়ুক পুং ৮.১৫ রোম তাবদা লৈরম্বা থেংনখিবনি। বোম লৈরে খঙবগা পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিং লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা লৌথোক্লগা লাঙ্গোলগী মফম অমদা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবদনা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লিলোং চজিংদা লৈবা কংগ্রেস ৱার্কর পি খোগেন কৌবা অমগী য়ুমদসু শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লম্লে। বোম অদু পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিং লাক্তুনা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৮ রোম তাবদনা খুরাই কেন্দ্রদা কংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা ডাঃ এন জি বিজয়গী চিংঙাংবম লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লম্লে। অদুম ওইনমক হেন্দ গ্রেনেদ অদু ডাঃ এন জি বিজয়গী য়ুমথংনদুনা লৈবা অমগী য়ুমথক্তা খিনবা ঈশিং হাপ্নরিবা সিন্টেক্স অমগী মথক্তা পোকখায়দনা লৈরম্বদগী পুলিস লাক্তুনা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদসু কুম্বী বজারদা নৌনা হাংবা কংগ্রেস ওফিস অমদসু শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থমজিল্লম্বদগী পুলিসনা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌথোকখ্রে।

মরকসিদা কোর-কোমগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লিবনা ঙসি অয়ুক কংগ্রেস ভবন্দা বোম ফিট তৌরম্বা, খুরাই কেন্দ্রগী কংগ্রেস মীরেপ ডাঃ এন জি বিজয়গী য়ুমদা বোম লংশিল্লম্বা, লংথবাল কেন্দ্রগী মনুং চনবা চজিং করামদা লৈবা পাউনম খোগেনগী য়ুমদা বোম লংশিল্লম্বা, শিংজমৈ কেন্দ্রগী কংগ্রেস মীরেপ আই হেমোচন্দ্রগী মমা ডাঃ ইবেতোম্বীগী য়ুমদা বোম লংশিল্লম্বা, কুম্বী কেন্দ্রগী কংগ্রেস মীরেপ বিরগী য়ুমদগী বোম লংশিল্লম্বা, খাঙবোক্তা লৈবা মোইরাংথেম মুনালগী য়ুমদা বোম লংশিল্লম্বা, লিলোংদা লৈবা কংগ্রেস ওফিস, খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী কংগ্রেস মীরেপ টিএৈচ লোকেশ্বরগী য়ুম অমসুং থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী মনুং চনবা কংজাবীদা লৈবা এল গোজেনগী য়ুমদা বোম লংশিল্লম্বগী থৌওংশিং চথখিবা অদু কোর-কোমনা চথখিবনি হায়না খঙহল্লক্লি।